# ইন্দিয়া–চিনাগী মরী হেন্না ফগৎলক্লি ঃ *দিফেন্স মিনিষ্টর*



***চেন্নাই, জুন ৯ ঃ***
ইন্দিয়াগীদমক চিনা–পাকিস্তান ইকোনোমিক কোরিদর (সি পি ই সি) অসি খুৱৌ থাংবা অমনি। চিনা–পাকিস্তানগী লৈনরিবা মরী অসি হেন্না কনখৎলক্লি অদুবু মদুগী খুত্থাংদা ইন্দিয়াগা চিনাগা লৈনরিবা মরী অসি য়েংলোইদবনি হায়না ইন্দিয়াগী দিফেন্স মিনিষ্টর নির্মলা সিতারামননা হায়খ্রে।

পাকিস্তানগী মিলিটরিনা চিনাগী খুৎশু–খুৎলাইদা হেন্না তাংজরক্লি। মখোয় অনীগী লৈনরিবা মরী অসি হেন্না কনশিল্লক্লি অদুবু চিনাগা লৈনরিবা ঐখোয়গী মরী অসিদি চিনা–পাকিস্তানগী লৈনরিবা মরী অদুগী খুত্থাংদা য়েংদে হায়না দিফেন্স মিনিষ্টরনা হায়খি।

চেন্নাই সেন্টর ফোর চিনা ষ্টদিসগী ইরাই নুমিত্তা চেন্নাইদা পাঙথোকখিবা চহী ১০ শুরকপগী থৌরমদা চিনাগী জিও পোলিটিক্সকী মতাংদা ইন্টর্নেস্নেল সেমিনার অমদা মহাক্না ৱা ঙাংখি।

সিতারামননা হায়খি, ইন্দিয়া অমসুং চিনাগা অনীগী মরক্তা হেন্না কন্না থবক তৌমিন্নরক্লি। সাংহাই কো–ওপরেসন ওর্গনাইজেসন (এস সি ও) দা ইন্দিয়ানা য়াওরকখিবা অসিনা চিনাগা লৈনরিবা মরী হেন্না কনখৎলক্লি। হৌজিক মখা তানা থবক তৌমিন্ননবগী হেন্না চাউবা মফম লৈরি অমসুং মসিমক নাকল অনীগী মরীদা হেন্না ফগৎহনগদবা য়াম্না কনবা লম্বী অমনি।

দিফেন্স মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়খি, এস সি ও গী অতৈ মেম্বর কয়াগা ইন্দিয়াগা অফবা তেংবাংনবগী মরী লৈনখ্রে। থবক তৌমিন্ননবগী ৱাফম কয়া লৈরি।

ঙমখৈদা লান্মীশিং উন্নবা, য়েৎনবশিং কোকহন্নবা উন্নবা, ক্রাইসিস লোয়শিন্নবা ষ্টদি গ্রুপশিং উন্নবা অসিনচিংবা মেকানিজম কয়ামরুম লৈরি। মসি পূম্নমক অসি হৌজিক হৌজিক য়াম্না কন্না চত্থরিবা ঙাক্তনি হায়না মহাক্না হায়খি।

অদুম ওইনমক লৈবাক অনীগী মরক্তা হোটলাইন অমা লৈরবদি মদুনা য়েৎনরিবশিং হেন্না থুনা ৱারোইশিন পুরকপা ঙমগনি হায়না চিনাগা ইন্দিয়াগগী মরক্তা মতম খরগী মমাঙদা থোকখিবা দোকলামগী মুক্নবা ৱাথোক অদু পল্লদুনা দিফেন্স মিনিষ্টরনা হায়খি।

চিনাগী ৱুহানদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগা চিনাগী প্রসিদেন্ট জি জিন পিং গা নুমিৎ নীনিগী ইনফোর্মেন ওইবা উন্নগদৌরিবা অদুগী অফবা ফোল খরা শোয়দনা লাক্লগনি। মসিনা তুং কোয়নগী মরীদসু কান্নহনগনি হায়বসিদা চিংননিঙাই লৈতে হায়না নির্মলা সিতারমননা মখা তাখি।

# অঙাং ফাবশিং ওইরবোই নীংদুনা মীওই অনী অসামদা হাৎখ্রে

***গুৱাহাটি, জুন ৯ ঃ***
অসামগী গুৱাহাটিদা মরাল লৈজদবা মীওই অনীবু অঙাং ফাবা মীওইশিংনি হায়না লান্না খন্দুনা মীয়াম চঙদুনা ফুদুনা ঙরাং নুমিদাংৱাইরম হাৎখ্রে।

মশাগী চহী ৩০ গী মথক ওইরবা মীওই অনী অদুবু হাৎখিবগা মরী লৈননা হৌজিক ফাওবা মীফা মীপুন অমত্তা লৈত্রি। অসামগী ৱেষ্ট কর্বি অংলোং দিষ্ট্রিক্তকী দোকমোকাদা অঙাং ফাবা মীওইশিং লৈরে হায়বগী মতাংদা সোসিয়েল মেদিয়াদা তোকঙাশিং শন্দোরকখি। মদুগী মতূংদা দোকমোকাদা ইচম চম্না চৎচবা অভিজিৎনাথ অমসুং নিলোটপাল দাসপু মফমদুগী মীওইশিংনা অঙাং ফাবনি চিংনদুনা ফুখি। লীখুনশিংগী মতূং ইন্না মফমদুগী মীওইশিংনা ইরাই নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরমদা পঞ্জাবী কচারি খুলদা চিংননিঙাই ওইবা মীওই অনী চৎপা থেংনখি। মীওই অনী অদু দেগাওদগী কিলোমিটর ১০ লোম লাপ্পদা লৈবা ফজরবা ঈশিং চাইবীগীদমক মমিং চৎলিবা কাংথিলাংসো তম্না লাকখিবনি। মদুদা নুমিদাংগী পূং ৮ লোম তাবদা মফমদুগী মীওইশিংনা মখোয়গী স্পোর্টস য়ুটিলিটি ভেহিকল (এস য়ু ভি) অদু থুগাইখি অমসুং মখোয়বু কার মনুংদগী চিংথোকখি। মখোয় অনীনা নাম্থোক্তুনা চেন্নবা হোৎনরুবদা মখোয়বু মখোঙ মখূৎ পুনশিনখি অমসুং তমথিনা ফুখি। মখোয় অনীমক মফম অদুমক্তদা শিখি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা ঙসি মীয়াম্না ফংখিবা ভিডিও অমদা নিলোটপাল দাসনা মীওইশিং অদুদা হায়জবা অদু উই। মহাক অসামিস অমনি মহাক হাৎপিগনু হায়না মখোয়দা হায়জখি। ঐবু হাৎপিগনু চানবীদুনা ঐবু ফুবিগনু, ঐহাক অসামিস অমনি ঐনা হায়জরিবসি অশেংবনি থাজবিয়ু। ঐগী ইপাগী মমিং গোপাল চন্দ্র দাস অমসুং ইমাগী মমিং রাধিকা দাস কৌই। ঐবু থাদোকপীয়ু হায়না মহাক্না ৱা ঙাংবা অদু ভিডিও অদুদা তাখি।

অদুবু মহাক্না ঙাংলিবদু এটেক্করশিং অদুনা য়াখিদে অমসুং মখা তানা ফুখি।

অসামগী চীফ মিনিষ্টর সর্বানন্দ সোনোৱালনা থৌদোক অদুবু কন্দেম তৌখ্রে অমসুং এদিস্নেল দাইরেক্তর জেনরেল ওফ অসাম পুলিস (লো এন্দ ওর্দর) মুকেস অগরৱালদা থৌদোক অদু য়েংশিন্নবা য়াথং পীখ্রে।

সুপরষ্টিসন অমসুং তোকঙাশিংনা মরম ওইদুনা মী হাৎপা হায়বসি য়ানিংঙাই ওইদে হায়না চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি। সোনোৱালনা থৌদোক অদু ইনভেষ্টিগেসন চত্থনবা য়াথং পীখ্রে অমসুং লৈখিদ্রবশিংগী ইমুং মনুংদা অচুম্বা ৱায়েল ফংনবা ৱাশকখ্রে।

হৌজিক ঐখোয়গী খুৎতা লৈখিদবা মীওই অনীমক্কী সেলফোনশিং লোয়ননা এটেক অদুগী ভিডিও লৌহৌবা মোবাইল ফোনশিং অদু লৈরে। ঐখোয়না ঐখোয়গী ইনভেষ্টিগেসন চত্থবা হৌরে। মরাল লৈবা মীওইশিং অদু থুনমক ফানবা হোৎনগনি হায়না মুকেস অগরৱালনা হায়খি।

নুংঙাইতবা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা নিলোটপাল দাস সাউন্দ ইঞ্জিনিয়ার অমনি অমসুং মুম্বাই অমসুং গৌৱাদা থবক তৌই অদুগা অভিজিৎ নাথসু মাগী ওইবা থবক অমা তৌই হায়রি।

# ক্রিমিনেল ৩ গা লোয়ননা গেংষ্টর রাজেস ভারতি হাৎখ্রে

***ন্যু দিল্লি, জুন ৯ ঃ***
দিল্লিদা ওথোরিটিজনা খ্বায়দগী হেন্না ফাবা পাম্লিবা গেংষ্টরশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা রাজেস ভারতি সাউথ দিল্লিদা পুলিস ওফিসারশিংগা ঙসি অয়ূক নোংমৈ কাপ্পনবগী থৌদোক অমদা হাৎখ্রে। থৌদোক অদুদা মহাক্কী গেংগী মীওই অহুমসু হাৎখ্রে।



ছাতরপুর মনাক্তা ফাতেপুর বেরিগী চনান হোলা খুলদা গেংষ্টরশিংগা নোংমৈ কাপ্পনবগী থৌদোক অদু থোকখিবনি হায়না দিল্লি পুলিসনা হায়রি।

সিটি পুলিসকী এন্টি–টেরর য়ুনিট ওইরিবা স্পিসিয়েল সেলগী টিম অমনা ফার্ম হাউস অমদা ভারতি অমসুং মহাক্কী মীওইশিং অদু থেংনখি। ভারতি অমসুং মহাক্কী মীওইশিং অদুদা সরেন্দর তৌনবা খঙহনখি অদুবু মখোয়না সরেন্দর তৌবগী মহুত্তা পুলিস তম্না নোংমৈ কাপশিল্লকখি হায়না দিল্লি পুলিসনা হায়খি।

খূৎ থোক্নবগী থৌদোক অদুদা রাজেস ভারতি গেংগী হাৎখ্রবা অতোপ্পা মেম্বরশিং অদুদি ভিদ্রোহ, উমেস দোন অমসুং ভিখু কৌই।

থৌদোক অদুদা য়ামদ্রবদা নোংমৈ মরু ৩৫ রোম কাপখি হায়না পুলিস ওফিসার অমনা হায়খি। পুলিস ওফিসার ৪ নোংমৈনা পানবদগী শোকখি। ভারতি অমসুং মহাক্কী মীওইশিং অদুনা তোংদুনা চৎলম্বা ফোর্দ এন্দিভর কার অমদগী পুলিসনা সেমি–ওতোমেটিক পিষ্টোলশিং ফংখি। সিটি অসিদা খ্বায়দগী হেন্না ফাবা পাম্লিবা মকোক থোংবা ক্রিমিনেল ১০ গী মনুংদা রাজেস ভারতিসু য়াওরি। মহাক চহী অসিগী ফেব্রুৱারী থাদা হরিয়ানা পুলিসকী কষ্টদিদগী নাম্থোক্তুনা চেনখিবনি অমসুং মহাক ফাবদা লুপা লাক্ষ ১ গী মনা লাওথোকখ্রবনি।

ভারতিগী মথক্তা মীহাৎপা, নমদুনা শেল লৌবা, গারী হুরানবা অমসুং লুট–পাট তৌবনচিংবগী য়ামদ্রবদা কেস ২৫ লৈ হায়রি।

# দিল্লিদা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ শিৎখ্রে

***ন্যু দিল্লি, জুন ৯ ঃ***
লৈবাকসিগী কোনুং দিল্লিদা নোং–চিংগী ফিভম খঙহৌদনা অহোংবা লাকখিবগা লোয়ননা ঙসি নুমিদাংৱাইরম মফম অসিদা উফুল–ৱাইফুন পুবা অকনবা নোংলৈ–নুংশিৎ শিৎখ্রে। মদুগী মতূং থুনমক কন্না নোং চুথরকখ্রে। মদুনা মরম ওইদুনা ফ্লাইট ২৭ কী লম্বী দিল্লিদগী থৈদোকখ্রে।

দিল্লিদা মহৌশা মতমদগী পূং ২ রোম ঙনখৎনা ঙসি নুংথিল পূং ৫ তাবদা অতিয়া অদু পুম্মম মমশিল্লকখি। দিল্লিদা নত্তনা হরিয়ানাগী গুরুগ্রাম হায়রিবা দিল্লিগা থংনবা মফম অসিদসু নোং কন্না চুবগী পাউ লাকই।

মেট দিপার্টমেন্টনা ঙসি অঙনবদা নোং–চিংগী মতাংদা মাঙজৌননা ফোঙদোকখিবদা ঙসি নুমিদাংৱাইরম পূংদা কিলোমিটর ৭০ দগীনা ৮০ য়াঙবা নুংশিৎ শিৎকনি অমসুং নোং খরা তাগনি হায়খি।

দিল্লিদা ঙসিগী মিনিমম টেম্পরেচর সেলসিয়স দিগ্রি ৩০ দা লৈখি মসি সিজন অসিদা লৈগদবা চাংচৎতগী অনী হেল্লবনি। অদুগা নুংশিৎতা য়াওবা ঈশিং মনিলগী চাংনা চাদা ৭১ ওইখি। মেক্সিমম টেম্পরেচরদি দিগ্রি ৩৯ য়ৌরবা য়াই। ঙরাংগী মেক্সিমম টেম্পরেচর দিগ্রি ৪০.৫ ওইখি।

কুমগী মোন্সুন লাকপা হৌবগা লোয়ননা ঙসি অয়ূক মুম্বাইদসু নোং কন্না চুখি অমসুং অনেম্বা মফমশিং ঈশিংনা থুমজিনখি। লোকেল ট্রেন অমসুং ফ্লাইটশিং অপনবা থোকখি। য়ামদ্রবদা দোমেষ্টিক ফ্লাইট ২০ গী মতম থেংথখি। ইন্টর্নেস্নেল ফ্লাইট ১২ সু মতম থেংথখি। লোকেল ট্রেনশিং মিনিট ১৫ দগী ২০ থেংথনা চেনখি হায়না ওফিসিয়েলশিংনা হায়খি।

# কর্নাটকাদা ২,০০০ চৎপী জালি নোট শীজিন্নরে ঃ এন আই এ

***বেঙ্গলুরু, জুন ৯ ঃ***
কর্নাটকা ষ্টেটকী মফম কয়ামরুদা জালি নোট পাক শন্না শীজিন্নবগা মরী লৈননা বেঙ্গলুরুদা লৈবা স্পিসিয়েল কোর্ট অমগী মমাঙদা নেস্নেল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি (এন আই এ) না ঙরাং চার্জসিট অমা থাগৎখ্রে। এন আই এ গী থিজিনবা অদুদা ষ্টেট অসিদা জালি নোট থাদোকপদা চেন্নবা ইন্টর ষ্টেট অমসুং ইন্টর্নেস্নেল বেঙ্কশিং য়াওই হায়না ফোঙদোকখ্রে।

এন আই এ গী কেস অসিদা চিক্কোদিদা লৈবা অশোক কুমার (৪৫), ৱেষ্ট বেঙ্গলদগী দালিম মিয়া (২১), বেলগাবিদা লৈবা রাজেন্দ্র বাপু পাতিল (২৮) হান্ননা ফাখ্রে। জালি নোটশিং অদু বাংলাদেশতগী পুশিল্লকপনি। অমসুং মদুদা ইন্টর ষ্টেট অমসুং ইন্টর্নেস্নেল বেঙ্কশিং খূৎশম্নবগী খুদম ফংই হায়না এন আই এ না হায়রি।

লুপা ২,০০০ চৎপী জালি নোটশিং থাজিল্লকপগী ৱাথোক অসি পূন্না লুপা লাক্ষ ৩.৫ ওইগদবা ২,০০০ জালি নোট চৎনহন্নবা হোৎনখিবা অশোক কুমারবু বেলাগাবি পুলিসনা ফাবা ঙমখিবদগী লুপা ২,০০০ চৎপী জালি নোটশিং থাজিল্লকপগী ৱাথোক অসি খঙললকপনি।

চীক্কোদিদা পোকপা অমসুং মহাক্কী ইমুং মনুংগা লৈমিন্নরিবা অশোক কুমার মীগী শেন্দোন ময়াম তোনবদগী মদু শীংনবা জালি নোট শীজিন্ননবা ৱাখল খল্লকখিবনি। দালিম মিয়ানা অতোপ্পা অমগী মতেংগা লোয়ননা লুপা লাক্ষ ১০ রোমগী জালি নোট লৌরগা অনীরক থোক্না অশোক কুমারদা পীরকখিবনি।

এক্যুজশিং অসিনা জালি নোটশিং অদু লৌরগা মদু চৎনহনবদা কম্মিসন ফংই। মখোয়না মদু সুগর ফেক্টরি থবক তৌবা লেবরর নৎত্রগা অতৈ লেবররশিংদা খূৎশুমন ওইনা পীবদা শীজিন্নৈ হায়রি।

# সাংহাই কোওপরেসন সম্মিট য়াওরুনবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি চিনাদা থুংখ্রে

***কিনদাও, জুন ৯ ঃ***
প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা সাংহাই কোওপরেসন ওর্গনাইজেসন নৎত্রগা এস সি ও গী চহীগী মীফম য়াওরুনবা নুমিৎ নীনিগী খোঙচৎ অমদা ঙসি চিনাগী কিনদাওদা থুংখ্রে। মীফম অদুদা ইরানগী ন্যুক্লিয়ার দিলগী তুংগী ফিভম, রসিয়াগী মথক্তা থল্লিবা য়ু এস সেঙ্কসনগী শাফু অমসুং ইন্দো–পেসিফিক রিজনগী ফিভম য়াওনা মরু ওইবা মালেমগী হীরমশিং খন্নগনি।



মসি প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা চিনাদা চৎপদা চয়োল ৫ খরা হেল্লকপগী মনুংদা অনীরক শুবা খোঙচৎনি। প্রসিদেন্ট জি জিনপিং গা ইনফোর্মেন ওইনা উন্ননবা হৌখিবা এপ্রিল ২৭ অমসুং ২৮ দা মহাক চিনাগী গুহান সিটিদা চৎলুরে।

সাংহাই কোওপরেসন ওর্গনাইজেসন (এস সি ও) অসি রসিয়া, চিনা, কিরজিজ রিপব্লিক, কজখষ্টান, তাজিকিস্টান অমসুং উজবেকিস্টানগী প্রসিদেন্টশিংনা কুমজা ২০০১ দা সাংহাইদা পাঙথোকপা সমিট অমদা লীংখৎখিবনি। ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্টানসু মমাঙগী চহীদা মসিগী মেম্বর ওইনা য়াওখি।

লৈবাক ৮ গী লুচিংবশিংগী রিজনেল সমিট অসি য়াওবতা নত্তনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক কয়ামরুমগী মকোকশিংগসু উন্নদুনা ৱারী শান্নরক্কনি। মহাক্না ঙসি থুংখিবগী পূং খরগী তুংদা চিনাগী প্রসিদেন্ট জি জিনপিং গা উন্নখ্রে। মখোয় অনীনা চিনাগী ৱুহানদা হৌখিবা থাদা লেপ্পখিবা ৱারেপশিং থবক ওন্থোকপগী মতাংদা খন্নগনি।

পাকিস্টানগী প্রসিদেন্ট মামনুন হুসেনসু সমিট অসিদা শরুক য়াগনি। অদুম ওইনমক প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মহাক্কা উন্নদুনা ৱারী শান্নগদ্রা হায়বদু ময়েক শেংনা খঙদ্রি। সমিট অসিদা সাংহাই কোওপরেসন ওর্গনাইজেসনগী মেম্বর লৈবাক ৮ গী লুচিংবশিং অমসুং ওবজার্ভর লৈবাক মরিগী লুচিংবশিংসু সম্মিট অসিদা শরুক য়াগনি। সমিট অসিদা টেরোরিজম লাকশিনবা, সেক্যুরিটিদা অকিবা পীরকপা, দ্রগ অমসুং ওর্গনাইজ ক্রাইমশিং লাকশিনবদা তেংবাংনবা হেনগৎহন্নবা খন্নগনি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা সাংহাই কোওপরেসন ওর্গনাইজেসনগী সেক্রেটরী জেনরেল রাসিদ এলিমোবগা উন্নখ্রে। মহাক্না রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ৱ্লাদিমির পুটিনগসু উন্নরবা য়াই। মহাক্না হোটেল লে মেরিদিয়েনদা চৎখি অমসুং চিনাদা লৈবা ইন্দিয়ান দাইয়েস্পোরাগী মেম্বরশিংগা উন্নখি।

এস সি ও গী সমিট অসিদা মেম্বর অমা ওইনা ইন্দিয়ানা শরুক য়াগদৌরিবসি হন্দক্কী অসিনা অহানবনি। ইন্দিয়াদা কুমজা ২০১৭ কী জুনদা এস সি ও গী মেম্বরসিপ পীরকখিবনি।

# টালিবাননা আফগান ইদ সিজফাইয়র য়াখ্রে

***কাবুল, জুন ৯ ঃ***
য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা আফগনিষ্টান্দা ২০০১ দা লান্দারকখিবা অদুগী মতূংদগী টালিবাননা ঙসি মখোয়গী অহানবা সিজফাইয়র লাওথোকখ্রে। সিজফাইয়র অসিগী মনুংদা লৈবাক অসিগী সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগী মথক্তা নুমিৎ হুম্নি খূৎ থাবা লেপ্পগনি।

অদুবু ইদকী অহানবা নুমিৎ হুম্নিগীদমক খূৎ থোক্নবা লেপকদৌরিবা অসি ফোরেন ওকুপাইয়ারশিংদদি চৎনরোই। মখোয়গী মথক্তা মখা তানা এটেক তৌখিগনি হায়না টালিবাননা ৱার্নিং তৌখ্রে। টালিবানগী মথক্তা চয়োল অমা ওপরেসন চত্থবা লেপ্পবা আফগান গভর্ণমেন্টকী অঙকপা লাওথোকপা অদুগী নুমিৎ নীনিগী তুংদা টালিবানগী নাকন্দগীসু থাজদবা খোঙথাং অসি লৌরকখিবনি।

আফগনিষ্টান্দা চাওরাক্না চহী ১৭ কী কনফ্লিক অসিদা মিলিটেন্টশিং অসিনা অকক্নবা অমা ওইরবসু সিজফাইয়ার অমা লাওথোক্লকখিবা হায়বসি মসিনা ইহান হানবনি।

পাউমীশিংদা থাবা ৱাটচঅপ মেসেজ অমদা টালিবাননা হায়খি, ইদ–উল–ফিতরগী অহানবা নুমিৎ হুম্নিগীদমক আফগান ফোর্সশিংগী মথক্তা এটেক তৌবা লেপ্পবা মুজাহিদীন পূম্নমক্তা য়াথং পীখ্রে। অদুবু করিগুম্বা মুজাহিদীনশিংদা এটেক তৌরক্লবদি ঐখোয়না ঐখোয় ইশা ঙাকথোকচগনি। লৈবাক অসিদা লৈরিবা টালিবান ফাইটরশিংদা থাখিবা ওর্দর অসিদা লৈবাক অসিদা খুদুম চন্দুনা লৈরিবা মীরৈবাক মচাশিংদদি চৎনরোই হায়না টালিবাননা হায়খি। মখোয়গী মথক্তা ঐখোয়গী ওপরেসনশিং মখা চত্থখিগনি। মখোয়বু ঐখোয়না হেক উবদা এটেক তৌগনি হায়খি।

ঙসি থাংজ নুমিৎকী লাওথোকপ অসিগী পূং খরগী মমাঙদা টালিবান মিলিটেন্টশিংনা নোংচুপ থংবা হেরাট প্রোভিন্সতা আফগান মিলিটরি বেজ অমদা থোমজিন্দুনা এটেক তৌরকখি অমসুং য়ামদ্রবদা লান্মী ১৭ হাৎখ্রে হায়না ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

মথংগী নুমিৎ খরনিদা নৎত্রগা মদুগী মতূং তারকপদা করি থোরক্কনি হায়বা ঐখোয়না খঙবা ঙমদে। হৌজিক টালিবান সিজফাইয়র অসিদা হেন্না থাজরুবগী মতম ঙনমল্লি হায়না আফগান পোলিটিকেল এনালিষ্ট হেরুন মিরনা হায়খি।

# পাকিষ্টানগী হান্নগী দিক্তেটর মুসারফ ভোট লেপ্পবা য়ারি

***ইস্লামাবাদ, জুন ৯ ঃ***
মথং থা জুলাই ২৫ দা পাঙথোক্নবা মতম লেপ্লিবা ইলেক্সনদা পাকিষ্টানগী হান্নগী দিক্তেটর পর্ভেস মুসারফপু সুপ্রিম কোর্টনা কন্দিস্নেল পার্মিসন অমা পীরবদি ইলেক্সন অসিদা মহাক ভোট লেপ্পবা য়াই হায়না মহাক্কী পার্টিনা ফোঙদোকখ্রে।

কুমজা ২০১৩ দা হায়কোর্ট অমনা মুসারফকী মথক্তা থমখিবা পুন্সিচুপ্পগী অথিংবা অমগী মায়োক্তা থারকপা পেটিসন অমা হিয়ারিং চত্থখিবা এপেক্স কোর্ট অসিগী চীফ জষ্টিসনা মশাগী চহী ৭৪ শুরবা মুসারফপু মীরেপ চে থাগৎপা য়াগনি হায়খি।

খাইবর পাখতুনখৱা প্রোভিন্সকী অৱাং থংবা দিষ্ট্রিক চিট্রালদগী মহাক্না ইলেক্সন কন্টেষ্ট তৌগনি হায়না মুসারফকী ওল পাকিষ্টান মুস্লিম লিগ (এ পি এম এল) না হায়খি।

হায়রিবা সিট অসিমক পেসাৱার হায় কোর্টনা মুসারফপু দিসক্বালিফাইদ তৌখিবগী মতূং কুমজা ২০১৩ দা পাঙথোকপা ইলেক্সন্দা এ পি এম এল না শৌগৎপা কেন্দিদেট অমনা মায় পাকখিবা সিট অদুনি।

অদুবু তোঙান তোঙানবা পাউ কয়ানা ফোঙদোকপদা মুসারফনা মহাক্কী ময়ূম–সিটি ওইরিবা কারাচিদগী মীখল অদু কন্টেষ্ট তৌগনি হায়না ফোঙদোক্লি।

হান্নগী জেনরেল পর্ভেস মুসারফনা মীখল অদুগী মমাঙদা লৈবাক অসিদা অমুক হল্লক্কনি হায়না এ পি এম এল জেনরেল সেক্রেটরী মুহমদ অমজাদনা হায়খি। অদুবু অকক্নবা নুমিৎ অমা পীখিদে।

জুলাই ২৫ দা পাঙথোক্কদৌরিবা নেস্নেল ইলেক্সন অসিদা পার্টি অসিনা সিট কয়ামরুমদা মীরেপ থাদোক্কনি হায়না মহাক্না হায়খি।

সুপ্রিম কোর্টনা মসিগী রুলিংদা মুসারফপু জুন ১৩ দা কোর্টতা মশামক লাক্নবা খঙহনখি অমসুং ক্রিমিনেল কেস কয়ামরুমদা চেন্নরবা ফাওবদসু মহাকপু ফাবা তৌরোই হায়না অচেৎপা ৱাফম থমখি। মুসারফপু দিসক্বালিফিকেসন তৌরবা ফাওবদা মীখলদা কন্টেষ্ট তৌবা য়াহনবগীদমক ফমদগী তাম্থোকখ্রবা প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ সারিফ য়াওনা লৈবাক অসিগী মাঙজিন থাবা পোলিটিসিয়ানশিংনা এপেক্স কোর্ট অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

কুমজা ১৯৯৯ দা পাকিষ্টান আর্মিগী চীফ ওইরম্বা জেনরেল পর্ভেস মুসারফনা মীশি মীনা থোক্তবা কূ অমদা লৈবাক অসিগী শক্তি পায়রকখিবনি অমসুং মহাকপু নমদুনা রিজাইন তৌহনখিবা কুমজা ২০০৮ ফাওবা গভর্ণমেন্ট পায়রকখি। মশা লায়েংবগীদমক চৎপগী অয়াবা ফংলবা তুংদা মার্চ ২০১৬ দগী মহাক দুবাইদা লৈরকখিবনি।

## GAS TODAY

**Hiyangthang Indane**
Booking : 30/04/18
Sl. No. 70
Valid : 25/04/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Khurkhul Heikham Indane**
Booking : 30/04/18
Valid : 24/04/18
Stk : 150
Time : 08.00 to 12 noon

**Khoriphaba Gas, Nambol**
Booking : 10/06/18
Valid : 09/06/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Bashikhong Indane**
Booking : 25/04/18
Valid : 13/04/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.30 a.m

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 08/05/18
Valid : 03/05/18
Sl. No. 1100 to 9811
Stk : 612
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**J. Rongmei Gas, Wangoi**
Booking : 16/05/18
Valid : 12/05/18
Stk : 306
Time : 06.30 to 09.30 a.m

## সনা–সুদোকু –১১৯২ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 7 | 1 | 3 | 6 | 9 | 4 | 5 | 2 | 8 |
| 5 | 8 | 6 | 7 | 1 | 2 | 4 | 3 | 9 |
| 9 | 4 | 2 | 3 | 5 | 8 | 7 | 6 | 1 |
| 6 | 9 | 1 | 4 | 2 | 5 | 8 | 7 | 3 |
| 4 | 2 | 5 | 8 | 3 | 7 | 1 | 9 | 6 |
| 3 | 7 | 8 | 1 | 6 | 9 | 2 | 4 | 5 |
| 8 | 3 | 9 | 2 | 7 | 1 | 6 | 5 | 4 |
| 2 | 6 | 4 | 5 | 8 | 3 | 9 | 1 | 7 |
| 1 | 5 | 7 | 9 | 4 | 6 | 3 | 8 | 2 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1193**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 9 | | | 6 | | | 5 | |
| | | | 1 | | | | | 4 |
| | | 7 | 3 | | 5 | 9 | | 8 |
| 3 | | 6 | | | 4 | | | |
| | | | | | | | 1 | |
| | | 1 | | 9 | | | 8 | |
| | 2 | 9 | | 5 | 3 | | | |
| | 5 | | | | | 1 | | 3 |
| | | | | 2 | | 6 | | |

RST Resonant Tutorials Imparting light to Medical aspirants
RESONANT TUTORIALS
Imparting Light to Medical Aspirants
SL/Bill (upto 12 June)
ADMISSION OPEN
Regular Course for Medical Entrance Exam
NEET(UG)-2019
Class Commence : 21st June, 2018
Last Date of Admission : 19th June, 2018
Special features:
- Free studentship for meritorious and position holders of Class X & XII.
- Separate section for purely english medium.
- Special fee concession for high scorer in NEET Exam-2018 but not get seat for Medical Course (MBBS/BDS).
- NCERT based study materials from MTG-Book Publication.
- Motivation & Interaction Programme with renowned Doctors.
- Hostel facility for Boys & Girls.
For more details, pliz contact: Resonant Office Keishampat Keisham Leikai, Near Manipur Rural Bank
Office Timing: 8:00 a.m. - 4:00 p.m.